# MANIPURI

## PAPER—II

## ( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

### ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Sections A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্নবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরল্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।


# MANIPURI

## PAPER—II

## ( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|


### QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

*(a)* মৈদিংঙু হোঙনেমযোয় খুঞ্জাউনা মদাইরেমশিংগা লোয়ননা করিগীদমক চীঙ্গোই তুরেন্দা অয়াং ইরেন ঈরুপখিবগে? শন্দোক্লা ইয়ু।

*(b)* 'রামায়ণ আদি কাণ্ড'গী মতুং ইন্না রামগী হৌরকফম অমদি পারি পুরীশিংগী মরমদা মরিক চুন্না ইরকউ।

*(c)* খাবনা নোংপোক নিংথৌ পানথোইবীবু খুভম য়াদুনা লাৎখিবগী মরমদা মপুংফানা ইয়ু।

*(d)* লৈমা ভানু নুংওনবীনা থেংনখিবা অৱাবশিংগী মরমদা শন্দোক্লা তাকউ।

*(e)* মরান লৈজদবী চীংখৈ থানবী করিগীদমক পুক্নি পিখন্নখিবনো? মরী লৈনবা থৌদোকশিং মরিক চুন্না ইয়ু।

**2.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

*(a)* 'পান্থোইবী খোঙ্গুল'দা পান্থোইবীবু লাইগী মতিক মগুণ চেনবীনি হায়বসি করম করম্বা থৌরমশিংনা উৎপগে? মপুংফানা নৈনৌ। 20

*(b)* 'সমসোক ঙম্ব'দা নিংথৌ কনাগী মতিক মথৌনা অমসুং লানগী লাল্লোং শিনবা হৈবগী থৌশিলবু করম্না শৈথারিবগে? শন্দোক্লা ইয়ু। 15

*(c)* অন্ধক মুনিগী শাপ অদু করিনো? শাপ অদুনা করম্না দশরথ নিংথৌরেলদা বর ওইখিবগে শন্দোক্লা ইরকউ। 15

**3.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

*(a)* ধনঞ্জয় লাইবু নীংবনা মতৌ করম্না য়িশ্ব লৈবাক্কী নিংথৌ ওইনা পানখিবগে? মরী লৈনবা থৌদোকশিং মরিক চুন্না ইয়ু। 20

*(b)* 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা'দা জিলা দরবার ফম্বগী নিংথিরবা থৌরাংশিং অমসুং মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগা লাট সাহেপকা ফমখিবা দরবারদা য়ানখিবা ৱাফমশিংগী মরমদা মপুংফানা ইয়ু। 15

*(c)* 'নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা'দা মতম অদুগী রাজনীতিগী হৈশিংবা থৌশিল লৈবাক ঙাক্লোন্দা উবা ফংঙি হায়বসি মমুদ তানা নৈনৌ। 15

4. ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(a) খ্বাই নোংজেং পিবানা তাউহুইরেং অহনবু তেন্না কাপ্পবদা লৈবাক্তা করি করি অৱা অনা তাখিবগে? অৱাবশিং অদু করম্না কোকখিবগে? শন্দোক্না তাকউ। 20

(b) 'থৌৱান থাবা হিরান'দা য়ুম্ফম ওইরগা মৈদিংঙু থৌৱান থাবগী চরিত্রবু মমুদ তানা নৈনৌ। 15

(c) সমসোকশিংনা মতৌ করম্না মৈদিংঙু পামহৈবদা চংজখিবগে? পামহৈবগী লান্দা ওইখিবা সমসোকশিংগী অৱাবদু মরিক চুম্না ইরকউ। 15

## SECTION—B

5. মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

(a) এলাংবম দীনমনিগী ৱারীমচা 'নোংথক খোংনাং'গী খুৎফোঙদোক্তা করেম্নব (সেটায়ার)গী খুৎই খুৎলাঙ্হোক নৈনদুনা তাকউ।

(b) মোহন্না ময়ুম থাদোক্লগা লোইয়ারমদা চৎখিবগী নুংগী ওইবা মরমদু করিনো? শন্দোক্না ইরকউ।

(c) 'মাধবীগী পুকচেল হোংবা' হায়বসিদা মাধবীগী ৱাখলগী অহোংবশিং কমলনা করম্না শৈথাবগে? মরিক চুম্না ইয়ু।

(d) খম্ব-থোইবী শৈরেংগী 'শনসেনবা' তাঙ্কক্তা খম্বনা পুরুম শনবু শেন্দুনা থৌনাফবা করম্না উৎখিবগে? শন্দোক্না ইয়ু।

(e) লাই হরাওবা করম্না হৌরকখিবগে হায়বদু 'লাই হরাওবা' হায়বা ৱারেংগী মতুং ইন্না নৈনরকউ।

6. ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(a) 'খম্ব থোইবীগী ৱারী অমসুং মহাকাব্য' হায়বা ৱারেংদা চাউবনা খম্ব থোইবীগী ৱারীবু করম্না মহাকাব্যগা চাংদম্নরগা মহাকাব্যগী ওইবা গুণ লেপ্পনবা হোৎনবগে? মপুংফানা নৈনদুনা তাকউ। 20

(b) ললিত সিংহনা ঈশ্বরনা অরেপ্পা মরূপনি হায়বসি প্রতাপকী চরিত্রদা করম্না উৎননবা হোৎনবগে? শন্দোক্না নৈনৌ। 15

(c) ''অঙকপা মৈতৈ ওইখরে
অঙকপা লৈবাক ওইখরে।''

পরেংশিং অসিগী মঙালদা সমরেন্দ্রগী 'মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে' হায়বা শৈরেংগী করেম্নবগী (সেটায়ার) খুৎই অদু মরিক চুম্না নৈনৌ। 15

7. ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(a) 'শমুখোংগী বিচার'দা য়ুম্ফম ওইরগা মতম অদুগী নিংথৌগী লৈঙাক্লোন অমদি ৱায়েল বিচারগী মরমদা মরিক চুম্না নৈনৌ। 20

(b) সার্তিফিকেত অমদি মহৈ-মশিং অনি অসি তোংৱানা 'মেত্রিক পাশ'তা করম্বনা হেন্না মগুণ লৈ হায়না উৎপগে হায়বদু মরিক চুম্না নৈনরকউ। 15

(c) কবি নীলকান্তনা মোদর্নিস্তকী খোঞ্জেলদা 'লম্মাঙনবা' হায়বা শৈরেংদা ৱাহং কয়াগী পাউখুম করম্না থীরিবগে? মপুংফানা নৈনৌ। 15

**8.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

*(a)* পাচাগী 'ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম' হায়রিবা লাইরিক অসি স্ট্রিম ওফ কন্সসনেস উপন্যাস অমা ওইনা মরিক চুম্না নৈনৌ। 20

*(b)* 'ৱানোম শরেং' অমদি 'ইজজৎ তানবা'দা অইবশিংনা মতমদুগী সমাজদা উবা ফংলিবা ৱাচৎ ৱানোম অমদি শেনজা থুমজাগী মশক অদু নৈনরকউ। 15

*(c)* 'কংসবধ' কাব্যদা য়াওরিবা সংস্কৃতি অনীগী ঈতিন্নবা মশক য়াওরিবদু মপুংফানা খুদমগা লোয়ননা নৈনৌ। 15

★ ★ ★